# জোর্দান্দা জিহাদিষ্ট অনি অঙাং ওলহনখ্রে



জোর্দান্দা ইং ২০০৫ দা চখিবা মীওই ৬০ হাৎখিবা এটেক অমগীদমক কনভিক্সন ফংবগা লোয়ননা ঙরাং অঙাং ওলহনখ্রবা সজিদা অল-রিসাৱি (ফাইল)

**অম্মান, ফেব্রুৱারী ৪ঃ**

জোর্দান এয়ারফোর্সকী পাইলোট অমা ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস) মিলিটেন্টশিংনা হাৎখিবগী হেক মতুংদা জোর্দান্দা চহি কয়ামরুম কনভিক্সন ফংদুনা লৈরক্লবা জিহাদিষ্ট নুপী অমা য়াওনা কনভিক্ট অনি অঙাং ওলহনখ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

সুইসাইদ এটেক চখবদা মায় পাকহৌদবদগী জোর্দান ওথোরিটিশিংনা ফাখিবা সজিদা অল-রিসাৱি অমদি অল-কাইদাগী ওপরেটিভ জিয়াদ কার্বোলি হায়বা কনভিক্ট অনি অসি ঙরাং নোংঙাল্লমদাইদা ফাঁসি তৌদুনা হাৎখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরকপনি।

অঙাং ওলহনখ্রবা কনভিক্ট অনিমক ইরাক মচা ঙাক্তনি হায়রি। মতম খরগী মমাংদা আই এস কী খুত্তা তাখিবা মোৱাজ অল-কাসাবেহ হায়বা জোর্দানগী পাইলোট অদুবু শারং মনুংদা হিংনা মৈ থাদুনা হাৎখিবগী থৌদোক য়াওবা ভিদিও অমা আই এস না থাদোরকখিবা মতুং পুং খরগী মনুংদা কনভিক্ট অনি অদু অঙাং ওলহনখিবনি।

মমাং চহিগী দিসেম্বরদা সিরিয়াগী নোংথক্তা আই এস কী মায়োক্তা মিসন অমা চৎখিবদা মহাক্লা পুখিবা প্লেন অদু কায়বদগী আই এস না লেফটিনেন্ট কসাবেহবু ফাজিনখিবনি।

ইকুই কুইদ্রিঙৈ মমাংদা ইরাক্কী নুপী জিহাদিষ্ট রিসাৱিগা খুৎশিন্নদুনা পাইলোট অসি থাদোরক্লবা আই এস না খঙহল্লকখিবনি। জোর্দাননসু মীফাশিং খুৎশিন্নবগী থৌরাং অসি শোয়দনা চখনবা হোৎনরিঙৈদা আই এস না পাইলোট অসিবু হাৎখিবনি।

পাইলোট অসি মিলিটেন্ট গ্রুপ অসিনা থা অমরোমগী মমাংদা হাৎখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না চিংনরি।

অমরোমদা কসাবেহবু হাৎখ্রে হায়বা খঙলবা তুংদা মহাক্কী অপোকপনা ইস্লামিক ষ্টেট লুপ অসি মালেমগী লৈমায়দগী মুখৎকদবনি হায়বা ফোঙদোকখ্রে।

অতোপ্পা ৱাফম অমনা আই এস না রিসাৱিগা খুৎশিন্নদুনা থাদোক্লবগী থৌরাংদা লুপ অদুনা হোষ্টেজ ওইনা থমখিবা জাপানিজ পাউমী কেঞ্জি গোটোবু থাদোক্কনি হায়না য়াখিবনি। লুপ অসিগী ৱাফম অসি জাপান গভর্নমেন্টনা য়াখিদ্রবা তুংদা আই এস না কেঞ্জি গোটোবুসু হাৎখ্রবনি।

অমরোমদা লৈবাক্কী কোনুং অম্মান্দা চখিবা এটেকশিংদা য়াওখিবগীদমক রিসাৱিবু মমাংদা শিবগী সেন্টেন্স লাউথোকপা লৈখ্রবনি। অদুগা কার্বোলি হায়বা অতোপ্পা মিলিটেন্ট অসিনা জোর্দান মচা অমবু হাৎপগীদমক ইং ২০০৮ দা কনভিক্সন পীখিবনি।

ফাদোক অনিমক লোকেল টাইমদা নোংঙাল্লমদাই পুং ৪ দা অঙাং ওলহনখি হায়না ঙসি অয়ুক গভর্নমেন্টকী ৱাঙাংলোই মোহম্মদ অল-মোমানিনা ফোঙদোরক্লি।

বি বি সি গী পাউল অদামসনা অম্মান্দগী হায়রকপগী মতুং ইন্না মীফাশিং খুৎশিন্নবগী থৌরাং অমা আই এস না হৌদোরকখিবা অদু জোর্দানবু চিংননিংঙাই ওইবা মায়ওন অমদা পুনবা অদুগা য়ু এস না লুচিংবা কোলিসন্দা অতৈ লৈবাকশিংনা জোর্দানবু থাজবা হন্থহন্নবগী পান্দমদা হোৎনরকপা মাল্লি হায়না ফোঙদোরক্লি।

পাইলোট হাৎখিবা মতুংদগী জোর্দাননসু আই এস কী মথক্তা মালেম কায়বা য়াবগী চাং য়ৌনা খুৎ কন্না লম্মন খুমগনি হায়না অচেৎপা ৱাফম ফোঙদোকখ্রে।

সুনি ইস্লামগী মচিন চৎপশিংগী মরক্তগী অমনা কসাবেহবু হিংনা মৈ থাদুনা হাৎপা থৌওং অদু ইস্লাম লাইনিংগী অথিংবা ইন্দবনি হায়বগা লোয়ননা কন্দেম তৌখ্রে।

ঙরাং অহিং থাদোকখিবা চেরোল অমদা ইজিপ্টকী অল-অঝার য়ুনিভর্সিটিগী গ্রান্দ ইমাম শৈখ অহম্মদ অল-তায়েব মামদৌহ অল-অমেরি হায়বা আই এস টেরোরিষ্ট অমবু পাং তিংদুনা হাৎকদবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

# টাইৱান্দা প্লেন কায়বদা মীওই ১৯ শিরে



টাইৱান প্লেন অমা অশোয়বা থোক্তুনা পাইরম্বদগী হাইথরকপা অমদি তুরেলদা তাখিবদগী চখিবা মী থিবা অমদি কনবগী থৌরাং লৌখৎখিবা

**টাইপৈ, ফেব্রুৱারী ৪ ঃ**

অনম্বনা চাইনিজ লমকোয়বশিংনা হেন্না তোংবা টাইৱানগী প্লেন অমা কায়দুনা তুরেল অমদা তাশিনবদগী য়ামদ্রবদা মীওই ১৯ শিরে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

অঙকপগী মশক ওইবা ভিদিও ফুটেজ অমদা ট্রান্স এসিয়া এয়ারৱেজগী প্লেন অদু টাইপৈ এয়ারপোর্টতগী পায়খৎখিবা মতুং ইকুই কুইদনা নোংথক্তগী হাইথরক্লগা লম্বীগী থোং অমদা চেপ্না খেৎপা উবা ফংখি।

মীওই ৫৮ তোংখিবা প্লেন অদু তোয়খিবগা লোয়ননা প্লেন অদুগী ফ্যুজলাজগী শরুক কিলুং তুরেলদা লুপফেৎ-লুপফেৎ তাউবা উবা ফংখি হায়রি।

মী কনবগী থৌরাং কন্না চংশিল্লি হায়বগা লোয়ননা মমাং চহিগী জুলাইদসু ট্রান্স এসিয়া প্লেন অমা নুংশা চীংশা ফত্তবদগী কায়বদা মীওই ৪৮ শিখিবনি হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

এরোপ্লেন অদুদা তোংখিবা মীওই অয়াম্বা রেস্ক্যুয়রশিংনা হিদা চংশিনখিবদা এয়ারক্রাফ্ট অদুগী মনুংদা য়াওরম্মী হায়বগা লোয়ননা মখোয়বু লৌথোক্লবা প্লেন অদু মচেৎ-মচেৎ ককখি হায়রি।

টেলিভিজন ফুটেজ অমদসু কায়রবা প্লেন অদুগী মনাক্তা মীওই কয়ামরুম ঈরোইদুনা হিংনবা হোৎনবা উবা ফংই।

হৌজিক ফাওবদা পেসেঞ্জর ১৫ দি হিংহৌরে অদুগা ২৪ না মফম খঙদনা লৈরি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

ট্রান্স এসিয়ানা থাদোরকপা চেরোল অমদা পেসেঞ্জর অমদি হোস্পিতালদগী দিসচার্জ তৌখ্রে। অদুবু হিংহৌবগী মশিংদি কনফার্ম তৌরক্ত্রি হায়রি।

এ টি আর-৭২ টর্বো-প্রোপ প্লেন অদু টাইপৈ সোংসান এয়ারপোর্টতগী কিনমেন ঈথৎ তম্না পাইখিবনি। এয়ার ত্রাফিক কন্ত্রোলদা পাইলোট অদুনা হায়রম্বা ঈরোই লোইবা ৱারোলদা ইঞ্জিন মৈ চাক্লে হায়না খঙহল্লম্মী হায়রি।

অদুবু ৱাহৈ অসিগী রেকোর্দিং অদু খুদক্কী ওইনদি এভিসিয়েসন ওফিসিয়েলশিংনা ভেরিফাই তৌদ্রি হায়রি। প্লেন অদু লোকেল টাইমদা পুং ১০.৫৫ দা ফ্লাইট কন্ত্রোল্লরগা পাউ ফাওনবা ঙমখিদবনি হায়রি।

লম্বীদা চৎলম্বা কারশিংদগী লৌহৌবা ফুটেজশিংদা প্লেন অদু শাথিনা চেপ্লগা পাইথরকপদা তেক্সি অমদা থোল্লগা লম্বীগী থোং অমদা খেৎলবা তুংদা কায়দুনা তুরেলদা তাশিনখিবা উবা ফংনখি। উহৌবা অমনা লোকেল মেদিয়াদা হায়খিবদা, ঐঙোন্দগী মিটর খরদমক মাঙদা চৎলম্বা টেক্সি অমদা প্লেন অদুগী মশাগী শরুক্লা থোমজিনবা উহৌই হায়না ফোঙদোকখ্রে। চাউখ্রবা প্লেন অদুনা কা হেন্না নক্লা পাইশিল্লকপদা ঐ কিবনা নিকখি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

ওফিসিয়েলশিংনা হায়বদা পেসেঞ্জর খরদি হৌজিকসু এরোপ্লেন অদুগী অতেক-অকায় মরক্তা থোকপা য়াদনা লৈরম্বা য়াই হায়বগা লোয়ননা প্লেন অদু তুরেলদা তাবদা মথক মখা ওনখ্রে হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

# ম্যান্মারনা য়ু এন এনভোয় চৈখ্রে

**য়াঙ্গোন, ফেব্রুৱারী ৪ ঃ**

য়ু এন গী মকোক থোংবা ওফিসিয়েল অমবু ম্যান্মারনা লৈবাক অদুগী মনুংগী ওইবা ৱাফমশিংদা খুৎ থিংজিল্লি হায়না মরাল শিবা ৱাফম ফোঙদোকখ্রে।

ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী চেরোল অমদা হায়খিবদা, য়ু এনগী স্পেসিয়েল রাপোটর য়াংহি লিনা মমাং থাদা লৈবাক অদুদা লাকখিবদা ম্যান্মারদা মাইনোরিটি ওইনা লৈরিবা রোহিংয়া মুস্লিমশিংগী হাক্কন চংদুনা ঙাংখিবগীদমক অথিবা ৱাহৈনা মরাল শিখিবনি।

লৈবাক অদুদা লাইনিং মান্নদবা মীওইশিং চারৌ মৌরৌনবা অমদি লাইনিং ওন্থোকপগী থৌওংশিং হন্থহন্নবা থৌরাংসু য়াওবা দ্রাফ্ট লো খরা বুদ্ধিষ্ট লম্বোইবশিংনা পুখৎখিবা অদুবু স্পেসিয়েল রাপোটর অসিনা হুন্দুনা ঙাংখিবগীদমক শক্লাইরবা বুদ্ধিষ্ট মঙ্কশিংনা 'ওক্তবী' অমদি 'হুই অমোম' নি হায়না চৈখিবনি।

অথিবা ৱাহৈশিং অসিনা মরম ওইদুনা য়ু এন হায় কম্মিস্নার ফোর হ্যুমেন রাইটস ওইরিবা জৈদ রাআদ অল-হুসেননা ম্যান্মারগী মথক্তা অকনবা ৱাহৈশিং ফোঙদোকহনখিবনি।

অদুগা ম্যান্মারগী ফোরেন মিনিষ্টরবু কন্দেম তৌনবা মরমসু ওইখিনি। অদুমকপু ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী চেরোল অমদদি য়াংহি লিনা পুথোকখিবা ৱাফমশিং অদু ৱাথোক অমগী মপুম ওইবা পোজিটিভ ওইবা শরুকশিংদি নাথৈরম্মী হায়না ফোঙদোরকখিবনি।

ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী চেরোল অদুদা হায়খিবদা, অতম্ননা খন্দোক খনজিন তৌবগা লোয়ননা স্পেসিয়েল রাপোটর অসিগী ৱারোলশিংদা লৈবাক মনুংগী সোভরেন্টিদা খুৎ থিংজিনবা অদুগা লৈবাক মনুংগী ওইবা ৱাফমশিংদা অকায়বা ঙাংবা য়াওই হায়নসু ফোঙদোরকখিবনি।

চেরোল অদুদা রোহিংয়া মুস্লিমশিংগী ৱাথোক অমদি প্রপোজ তৌরিবা লোশিংদা নত্তনা লেন্দ রিফোর্ম, মেদিয়া ফ্রিদম অমদি পোলিটিকেল প্রিজনরশিংগী ৱাফমশিংসু য়াওবনি। অদুবু য়াংহি লিনদি রোহিংয়া মুস্লিমশিংতগী মরমদা ম্যান্মারবু হুন্দুনা ঙাংখি হায়নসু চেরোল অদুদা ফোঙদোরকখি।

অমরোমদা য়াংহি লি নদি মহাক্লা মথৌ তৌবদা লম হেনবা নত্রগা শেরান্নবা অমত্তা লৈখিদে হায়খিবগা লোয়ননা মঙোন্দা অকনবা ৱাহৈনা চৈখিবগী মতাংদা করিমত্তা পনখিদে।

পনবা য়াবা অমনা ম্যান্মারদা লৈরিবা মীওই অয়াম্বদি বুধিষ্ট লাইনিং চৎপনি। হৌখিবা চহি ২০১২ দা লৈবাক অদুগী রাখিনে ষ্টেটতা বুধিষ্ট মীয়াম অমদি রোহিংয়াশিংনা নম্বা মুস্লিমশিংগী মরক্তা ভাইওলেন্স থৌদোক থোকপদগী মীওই কয়ামরুম পুন্সি মাঙখিবনি। অদুগা লিশিং কয়ামরুম্না ময়ুম লৈতবা ওইহনখিবনি।

মদুগী মতুংদগী লৈবাক অদুদা এন্টি মুস্লিম ওইবা খুদোংথিবা থৌদোক কয়ারকসু থোকখ্রে। থৌদোকশিং অদুগী মতুংদগী য়ু এননা মমাংদা ফোঙদোকখিবা ৱারোলশিংদা মরৈবাক লৈজদবা রোহিংয়াশিংবু ম্যান্মারদা তোঙান্না খন্দোক্তুনা তাথিনা তৌবিরে হায়না ফোঙদোকখিবনি।

মমাং থাদসু য়ু এননা পাস তৌখিবা ৱারেপ অমদা ম্যান্মার লৈঙাক্লা মাইনোরিটি মুস্লিমশিংবু ম্যান্মারগী সিটিজেনশিপ পীহন্নবা তকশিনখিবনি হায়নসু লিখুন অসিনা মখা তারক্লি।

য়াংহি লিনা মমাং থাদা ম্যান্মারদা লাকখিবদা মুস্লিম রোহিংয়াশিংবু তাথিনা তৌবিবগী মরমদা মরুওইনা পনবা রিপোর্ট অমা শেমখিবনি।

# ওবামা, অব্দুলাহনা আই এস পু লেম্না থাদনবা ৱাশকখ্রে

**ন্যুয়োর্ক, ফেব্রুৱারী ৪ঃ**

আই এসনা মীফা ওইনা থল্লকখিবা জোর্দানিয়ান পাইলোট অমবু হাৎখ্রবা মতুংদা য়ু এস প্রসিদেন্ট বরাক ওবামা অমদি জোর্দানগী নিংথৌ অব্দুল্লাহ অনিশুবনা আই এস কী মথক্তা চংশিনবা লাঞ্জং হনবা লৈতনবা অচেৎপা ৱাফম ফোঙদোকখ্রে।

তহা তহানা শিনবা হ্বাইট হাউসকী মীটিং অমদা ওবামানা নিংথৌ অব্দুল্লাহগী হোষ্ট ওইখিবগা লোয়ননা মশাগী চহি ২৬ তা ঙাইরিবা লেফটিনেন্ট অল-কসাবেহবু মিলিটেন্ট গ্রুপ অদুনা মৈ থাদুনা হাৎখিবগী থৌওং অদুবু কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্লখি।

হান্নना সেদ্যুল তৌখ্রবা খোঙচৎ অমদা লাকখিবা নিংথৌ অব্দুল্লাহ নুমিদাং ওইরকপদা ৱাশিংটন্দা ঙরাং থুংলখিবনি।

হ্বাইট হাউসকী ওভেল ওফিস্তা নিংথৌ অসি ওবামাগা নাক য়েৎ ফম্মীন্নখি। অদুমকপু রিপোর্টরশিংদদি ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকখিদে হায়রি।

মীটিং অদুদা নহা ওইরিবা পাইলোট অদুবু হাৎখিবগীদমক ওবামানা নিংথৌ অব্দুল্লাহদা থোইদোক্লা অৱাবা ফাওই হায়না ফোঙদোকখি।

হ্বাইট হাউসনা থোকপা চেরোল অমদা প্রসিদেন্ট অমদি নিংথৌ অব্দুল্লাহনা মথৌনা ফরবা জোর্দানিয়ান পাইলোট অদুবু হঙ্গোইনিংঙাই ওইবা মওংদা হাৎখিববু য়ানিংদবগী ৱাফমশিং চেৎনা ফোঙদোক্লখি।

পাইলোট অদুবু হাৎখিবগী থৌদোক্লা আই এস পু মপুং ফানা মাঙ-তাকহন্নবা মালেম খুন্নাইনা হেন্না চেৎপা ফিরেপ লৌরক্লবা মরম ওইরগনি হায়নসু লুচিংবা অনিনা ফোঙদোক্লখি হায়রি।

নিংথৌ অব্দুল্লাহগা উন্নদ্রিঙৈ মমাংদা ওবামানা থোকখিবা চেরোল অমদসু জোর্দানিয়ান পাইলোট অদুগী মীশিনা য়ু এস না লুচিংবা মালেমগী ওইবা কোলিসন্না আই এস পু মপুং ফানা মায়থিবা পীনবগী পুক্নিংগী ফিরেপ অমদি মীকুপ নাহুম শিংবা শরুক অনি হেনগৎহল্লগনি হায়নসু ফোঙদোকখিবনি।

য়ু এস কী ভাইস প্রসিদেন্ট জো বিদেননসু ঙরাং ৱাশিংটন্দা নিংথৌ অব্দুল্লাহগা চাক্লেন অমা চামিন্নখিবগা লোয়ননা আই এস কী তমথিবা মীহাৎশিংবু কন্দেম তৌখি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

# ট্রেননা কারদা থোম্বদা ৭ শিরে

**ন্যুয়োর্ক, ফেব্রুৱারী ৪ ঃ**

ন্যুয়োর্ক সিটিগী অৱাংলোমদা লৈবা লেভেল ক্রোসিং অমদা মী পুবা ট্রেন অমনা কার অমদা থোম্বদা গাড়ী অদুবু থৌরকখিবী নুপী ড্রাইভর অদুসু য়াওনা মীওই তরেৎ শিরে অদুগা ১২ না শোক্লে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ঙরাং য়াচংবদা ন্যুয়োর্কতগী কিলোমিটর ৩২ (মাইল ২০) লাপথোকপা ভালহালা মনাক্তা পেসেঞ্জর ৮০০ রোম য়াওরকপা ট্রেন অদুনা জিপ চেরোকি গাড়ী অদু থোমগায়খিবনি হায়রি।

ট্রেন অদুদা তোংলকপা মীওই তরুকসু শিরে হায়না ন্যুয়োর্ক গভর্নর এন্দ্রু কুমোনা ফোঙদোকখ্রে। থেংজিন্নরবা মতুংদা কার অদুগা ট্রেন অদুগী মমাং থংবা দাবাগা মৈনা চাকখি। মী থন্না তোংলবা ট্রেন অদু ন্যুয়োর্ক সিটিগী গ্রান্দ সেন্ট্রেল ষ্টেসন্দগী খা নোংপোক্লোমদা লৈবা ৱাসেক তম্না লাকখিবনি হায়রি।

# হোস্পিতালদা সেলনা পানবদগী মীওই ৪ শিরে

**মোস্কো, ফেব্রুৱারী ৪ ঃ**

য়ুক্রেনগী নোংপোক্লোমদা লালহৌবশিংনা খুদুম চল্লবা দোনেটস্কতা কাপশিল্লকপা সেল অমনা হোস্পিতালদা পানবদগী য়ামদ্রবদা মীওই মরি শিরে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

সেল্লিং এটেক অদুগী মতুংদা হোস্পিতাল অদুগী মপান্দা ব্লাঙ্কেটশিংনা কুপশিন্দুনা হকচাং খরা লৈবা উখি হায়রি। অমরোমদা কনফার্ম তৌদ্রিবা পাউশিংদদি অশিবগী মশিং মরিদগী য়াম্না হেল্লমগনি হায়নসু ফোঙদোক্লখি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা চয়োল খরদগী য়ুক্রেনগী নোংপোক্লোমদা থোক্লিবা ভাইওলেন্স থৌদোকশিং অসি হেনগৎলক্লিবনি। অদুগা সিটি অসিগী এয়ারপোর্টসু য়াওনা দোনেটস্ককী মপান্দা গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংনা কন্ট্রোল তৌরম্বা মফম খরসু ইকুই কুইদ্রিঙৈ মমাংদা প্রো রুশিয়ান রিবেলশিংনা লৌশিনখ্রবনি।

মরুওইনা রিবেলশিংনা খুদুম চনবা দোনেটস্ক অমদি লুহানস্ক সিটি অনি অসিদা লৈবা মীওইশিংদি য়াম্না তোয়না মোটার অমদি রোক্কেট কাপশিল্লকপগী খুদোংথিবা নংলি। অদুগা সেপরেটিষ্টশিংনা এটেকশিং অদু চখবগীদমক য়ুক্রেন গভর্নমেন্টপু মরাল শিরিবনি।

দোনেটস্ক সিটিগী খা নোংচুপলোমদা লৈবা কিরোবস্কি দিষ্ট্রিক্টতা ঙসি চখরকখিবা এটেক অদু য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নগী ফোরেন পোলিসি চিফ ফেদরিকা মোঘেরিনিনা খুদক্তগী সিজ ফয়ার অমা চৎনবা হৌনবা তকশিনখিবগা মপা চান্নना থোকখি।

ঈ য়ু গী ওফিসিয়েল অসিনা খুদক্তা সিজ ফয়ার অমা চৎনহন্দুনা মীচমশিংবু খুৎ থোক্লরিবা মফমশিংদগী চথোকখিবা য়াহনগদবনি হায়না হন্দক্তা ফোঙদোকখিবনি।

অতোপ্পা ৱাফম অমনা দোনেটস্ককী অৱাং নোংপোক্লোমদা সেপরেটিষ্টশিংনা হৌজিক হৌজিক দেবালসেভে টাউন্দা লৈবা গভর্নমেন্ট ক্রুপশিংবু লাঙ্গোয় চন্নবা কন্না হোৎনরিবা মরম্না মফম অদুদা লৈবা মীচম মীয়ামশিং দেবালসেভে থাদোক্তুনা চৎপা য়াদনা লৈরিবনি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

# 'এসিয়া-পেসিফিক ইন্দিয়াগী থৌদাং চাউই'

**ৱাশিংটন, ফেব্রুৱারী ৪ ঃ**

য়ু এস প্রসিদেন্ট বরাক ওবামানা হন্দক্তা ইন্দিয়াদা চৎখিবা খোঙচৎ অদু চাউনা মায় পাকপা অমনি হায়বগা লোয়ননা হিরম কয়ামরুমদা অচৌবা অওনবা অমা পুরক্লবা মরমসু খোঙচৎ অদুনা ওইখ্রে হায়না য়ু এস ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমদি ওবামানা উন্নখিবা থৌদোকশিংনা রিজন অদুদা য়ু এস কী থৌওংশিং নৌনা খল শেম্নবগী তাঞ্জা অমসু ওইখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এস প্রসিদেন্ট বরাক ওবামানা মহাক্কী চহিগী বদজেট ফোঙদোকখিবা মতুং নোংমা কোনবদা হ্বাইট হাউসনা থোকপা চেরোল অমদা এসিয়া-পেসিফিক রিজন্দা ইকোনোমিক গ্রোথ অমদি ঙাকশেল থৌরাংগী মতাংদা ইন্দিয়াসু থোইদোক্লা মরুওইবা থৌদাং অমা লৌগদবা লৈবাক্নি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

হিরম কয়ামরুমদা, মরুওইনা য়ু এস না রিজন অদুদা রি-বেলেন্স পুরকপদা ইন্দিয়ানা শেম্নীৎলোনগী চাউখৎপা অমদি ঙাকশেল থৌরাংদা অচৌবা থৌদাং লৌরক্কনি হায়নসু হ্বাইট হাউসতা নেসনেল সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী সেনিয়ার দিরেক্টর (সাউথ এসিয়া এফিয়ার্স) ওইবা ফিল রৈনরনা ফোঙদোকখিবনি।

হন্দক্তা লোয়শিনখিবা ওবামা অমদি নরেন্দ্র মোদিগী সম্মিট মীটিং অদুগী মনুংদসু রৈনরনা হায়খিবদা, লৈবাক অনিনা বাইলেটেরেল রোদ মেপ অমা শেম্নবা য়ানখ্রে হায়না ফোঙদোকখিবনি।

ওবামাগী ইন্দিয়া খোঙচৎ অদু থোইদোক্লা মায় পাকপা অমা ওইনা শিংথাবগা লোয়ননা খোঙচৎ অদুনা থৌশিল থৌরাংশিং নৌনা হোংদোক্লবগী খুদোংচাবা অমসু ফংহল্লে হায়না রৈনরনা ফোঙদোকখিবনি।

লুচিংবা অনিনা উন্নখিবদা মমাংদা হিরম কয়ামরুম নৌনা মপাঙ্গল হাপ্পগা লোয়ননা অমুক য়াকাইহল্লে হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়া-য়ু এস মরীগী তুংলমচৎসু থোইদোক্লা আশা তৌনিংঙাইনি হায়বগা লোয়ননা মরী অসি পনখৈ লৈতবনি থাজে হায়নসু রৈনরনা মখা তাখি।

ইন্দিয়ানা ওবামাদা রিপাব্লিক ডে থৌরমগীদমক ইনভাইট তৌরকখিবা অদুমকসু লৈবাক অনিগী মরুপ মপাং ওইনবগী মরীদা থোইদোক্লা নীংশিংনিংঙাই ওইবা থৌওং অমনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

# লোয়নবী চাখিবা গুন্তীর থা ৪ গী তুংদা হাৎখ্রে



বটামবুজে (ইন্সেট) না হাৎলবা মহাক্কী মীরোল্লিবী লোয়নবী চাখিবা গুন্তীর

**কিয়োগা, ফেব্রুৱারী ৪ ঃ**

উগন্দাগী কিয়োগা মপান্দা লৈবা খুঙ্গং অমদা থা মরিরোমগী মমাংদা মীরোল্লিবী নুপী অমা চাখিবা গুন্তীর অমবু নুপী অদুগী মপুরোইবনা হাৎতুনা লম্মন খুমখ্রে।

থা মরিরোমগী মমাংদা দিমেটেরিয়া নাবিরে হায়বা নুপী অসি ঈশিং শোক্লনবা পাৎ অদুদা চৎখিবনি। খুঙ্গং অদুগী নুপী খরগা লোয়ননা ঈশিং শোক্লিঙৈদা গুন্তীর অদুনা খঙহৌদনা থোরক্লগা নুপী অদুবু লাকখিবনি হায়রি।

থৌদোক অদুগী মতুংদগী নুপী অদুগী মপুরোইবা মুবারাক বটামবুজেগী থম্মোয়দা শোকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী লোয়নবীদা নত্তনা পুক্লুংদা য়াউখিবা অঙাং অদুগী মরমদা মথ্বায় নুংঙাইতনা লৈরকপদগী তাঞ্জা ফংদুনা গুন্তীর অদু হাৎপা ঙমখিবনি।

মহাক্কী লোয়নবী চাখিবা গুন্তীর অদু মতম খরা লৈরগা মফম অদুদা অমুক হল্লকপগী পাউ মরুপ মপাংশিংনা পীরকপদগী মহাক্লা চৎলুবদা গুন্তীর অদু চাউমনবদগী উপায় লৈতনা হল্লকখি হায়রি। হল্লক্লবা মতুংদা মথংগী তাঞ্জাদদি শোয়দনা লম্মন খুম্নবা ৱাখলদা বটামবুজেনা খুঙ্গংগী য়োৎ শুবা অমদা গুন্তীরদুবু হাৎপা ঙমগদবা তা অমা পাউন্দ ৩.২০ চংনা শিংখি হায়রি।

থা মরিগী তুংদা মহাক্লা পাৎ মপান্দা ঙাইরিঙৈদা গুন্তীর অদু লাকপদগী মহাক্লা পুং অমা হেন্না লাম্থেংনদুনা মিটর ৪ হেন্না শাংবা কিলোগ্রাম ৬০০ হেন্না লুম্বা চাউরবা গুন্তীর অদু হাৎপা ঙমখিবনি হায়রি।

গুন্তীর অদু চাউমনবদগী মহাক্কী মরুপ মপাংশিংনা মঙোন্দা খুৎ থাদনবা খামখি। অদুমকপু মহাক্লা চিংনবা লৈতনা মায়োক্লখিবনি হায়নসু বটামবুজেনা ফোঙদোকখি।

সনা-সুদোকু- ২৩১ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 9 | 8 | 1 | 6 | 3 | 5 | 2 | 4 |
| 4 | 2 | 5 | 7 | 8 | 9 | 3 | 6 | 1 |
| 3 | 6 | 1 | 5 | 4 | 2 | 8 | 9 | 7 |
| 8 | 3 | 2 | 4 | 9 | 5 | 7 | 1 | 6 |
| 9 | 5 | 7 | 6 | 3 | 1 | 2 | 4 | 8 |
| 6 | 1 | 4 | 8 | 2 | 7 | 9 | 5 | 3 |
| 1 | 7 | 9 | 3 | 5 | 6 | 4 | 8 | 2 |
| 5 | 8 | 6 | 2 | 7 | 4 | 1 | 3 | 9 |
| 2 | 4 | 3 | 9 | 1 | 8 | 6 | 7 | 5 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-232**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | | | 9 | 3 | 7 | 6 | | |
| | | | | 8 | | 2 | | |
| 5 | | 9 | | | | 1 | | |
| | | | 5 | 6 | | 7 | | |
| 7 | | | | | | | | 8 |
| | | 8 | | | | | | 3 |
| | | 2 | | | | 9 | | 6 |
| | | 4 | | 5 | | | | |
| 3 | | 6 | | 2 | 9 | | | 5 |


RM SCHOOL
IMPHAL WEST
Cl. (N-V) Day - Residential
Class Will be Upgraded every year
Kwakeithel Heinoukhongnembi (Nongsaba)
ADMISSION OPEN
Facilities :-
- মখোঙ শেংনা তাকপী তম্বীগনি।
- মেথকী প্রোব্লেম খুদিংমক সোল্ভ তৌবা ঙমহনগনি।
- NAVODAYA, SAINIK, RAMKRISHNA, NDA, MEDICAL IIT CIVIL SERVICE কী Foundation শেম্বীগনি।
- থা ৬ কী মনুংদা ইংলিশ ঙাংহনগনি।
- লাইরিক ফজনা হৈহনবা ঙমদ্রবদি পৈশা হন্দোকচগনি।
- Max. 35 Students in each class

SAME SYLLABUS & PATTERN WITH ST. JOSEPH'S & LITTLE FLOWER SCHOOL.
Under the Aegis of
RM BOARDING
(CI (I-X) Boys of St. Joseph's only
ADMISSION OPEN FOR
DAY-BOARDING
Maths. Science, SSc. MM.
Hindi, Computer, Hr. Maths.
9.30 a.m. - 3.30 p.m.
BOARDING
HURRY LIMITED SEATS ONLY



Dr. N.(O) Ch Indira Devi
B.V.Sc.& A.H.
Acupressurist/Healer Specialist
BODY CARE
Alternative Treatment
Acupressure and Magnetotherapy Clinic
Estd. Oct.1999 Regd. MNHCR/No.7085/AMC2008
Visiting Hour 6:30 -12 noon
Facilities are :-
B.P. Stroke, Paralysis, Sciatica, Cervicel Spondylosis
High Blood Pressure, Obesity, Arthritis,
Sinusitis, Asthma, Gout, Frozen shoulder,
Joint Pain, Headache/ Migraine, Insomnia,
Beauty skin therapy with latest technology, etc.
CHINESE METHOD OF TREATMENT
ERECTING BODY AILMENT
HEALING SYSTEM FOR VARIOUS DIAGNOSIS
NO MEDICATION NO SIDE EFFECTS
First Acupressurist/ Healer Specialist of Manipur
CHINGMEIRONG, Opposite Don Bosco School.
SL/Nov.18 to Dec.18